# হোক্কি মণিপুরনা মণিপুর হোক্কিগী মথক্তা শীরক্লিবা মরালশিং য়ুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনিঃ কে ঐচ লোয়ালাকপা

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):** হোক্কি মণিপুরনা মণিপুর হোক্কিগী মথক্তা রেজিষ্ট্রেসনগা মরী লৈননা শীরক্লিবা মরালশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি হায়না মণিপুর হোক্কিগী প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়ালাকপনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুর হোক্কিগী প্রসিদেন্ট লোয়ালাকপনা হায়, হোক্কি মণিপুরনা মণিপুর হোক্কিগী রেজিষ্ট্রেসন কেন্সেল তৌখ্রে, মরম অদুনা মণিপুর হোক্কি অসি অন ওথোরাইজ ওইবা বোদি অমনি হায়না ফোঙদোরকখিবা অদু থিজিনবা ৱাৎপগী অমদি মশাগী শুমাং শীৎতনা মীগী শুমাং শীৎপা হায়বা থৌওং অদুনি।

মণিপুর হোক্কিগী রেজিষ্ট্রেসন কেন্সেল তৌরে হায়রিবা ৱাফম অদু মরম চাদে হায়না মরী লৈনবশিংনা অমুক হন্না ওর্দর অদু কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা মণিপুর হোক্কিগী থবক থৌরম খুদিংমক রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিনা মশক খঙগনি। হোক্কি মণিপুরনা ঙরাং পাউচেশিংদা ফোঙলকখিবা ৱাফম অদু লমদম অসিগী শান্নরোয়শিং, হোক্কিবু পামজবা মীওইশিংবু লান্না লমজিংনবা হোৎনবনি। মসিগী ময়েক শেংলবা খুদম হায়ববু সুরজ কুমার সুখাম কৌবা মীওই অমনা থাখিবা আর টি আইগী পাউখুমদা হোক্কি মণিপুর অসি মথৌ তৌদ্রবা, রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিগী মতুং ইন্না চহীগী তৌগদবা থবক



অমত্তা তৌদ্রবা চে খক্তদা লৈবা এসোসিএশননি হায়না পাউখুম পীরকপা লৈখ্রে।

এ কে সুর্জিৎ কৌবা মশানা মশাবু ওল মণিপুর হোক্কি য়ুনাইটেদ ক্লব কৌবা অন রেজিষ্টার ওর্গনাইজেসন অমগী সেক্রেটরিনি হায়জবা অমদি মশানা মশাবু মণিপুর হোক্কিদা রেজিষ্টার তৌবা য়ুনিটশিংগী মেম্বরনি হায়জবশিংনা খুৎয়েক পীদুনা মণিপুরগী গভর্নরদা অরানবদা য়ুম্ফম ওইবা অমদি অচুম্বা কয়া লোৎশিনবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়বগী পাউ লৈরে। হায়রিবা অন রেজিষ্টার ওর্গনাইজেসন অসিনা তৌরিবা থবকশিং অমদি শান্নরোয়শিং, শান্নরোয়শিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি মীয়াম্বু লান্না উহনবতা নত্তনা মণিপুরগী গভর্নরবুসু লান্না লমজিংনবা হোৎনবনি হায়না লৌই। মখোয়গী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলোইদবগী মরম লৈতে। অমদি মণিপুরগী গভর্নরবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরিবা অসিসু মরী লৈনবশিংনা মতম চানা য়েংশিনবীদুনা মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়না পুক্নিং চীংশিনখি।

মহাক্না হায়, অন ওথোরাইজ ওইবা ওর্গনাইজেসন হোক্কি মণিপুরনা শীনবা হোক্কি টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুর হোক্কিদা এফিলিয়েট তৌবা ক্লব/এসোসিএশন/ওর্গনাইজেসন/ দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিং অমদি ওফিসল, টেক্নিকেল ষ্টাফশিংনা শরুক য়াবীগনু। হায়রিবা অসিগী মায়োক্তা করিগুম্বা থবক তৌরল্লবদি মখোয়গী মথক্তা লোগী মতুংইন্না পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরগনি।

মণিপুর হোক্কিনা হৌখিবা কুমজা ২০০৯দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা ওলিম্পিয়ান ৫ পুথোকখ্রে। মসিগী মথক্তা ইন্টরনেশনল প্লেয়র কয়াসু পুথোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা পুথোক্লবসু হোৎনরি। হোক্কি মশান্না অসি এসিয়ান গেমসতা অমুক্তা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমদনা লাকখিবা অদু মমাঙ চহীদা উট্টরখন্দদা পাঙথোকখিবা নেশনল গেমসতা নুপা অমদি নুপীগী টিম অনীমক ক্বালিফাইদ ওইদুনা শরুক য়াখি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী নুপা সিনিয়র টিম অসি ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিংদা ৪ শুবা মফম কন্দুনা লৈরি। মসিদা নত্তনা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা কেটাগরি খুদিংমক্কী ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা মণিপুর হোক্কিনা শরুক য়াখি অমদি নুপা অমসুং নুপীগী জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়রগী ওইনা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা চাওনা মায় পাক্তুনা এ দিভিজনদা প্রমোট তৌখ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর হোক্কি অমদি দি জি এ আরনা খুৎশম্নরগা অনীরকশুবা দি জি এ আর হোক্কি কপ খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা হোক্কি কপ অসিদা ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা টিম অনীসু শরুক য়াগনি। মরম অদুনা মণিপুর হোক্কিদা রেজিষ্টার তৌরবা ক্লব/এসোসিএশন/ওর্গনাইজেসন/ দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিংনা শরুক য়াবিয়ু। লোয়ননা মণিপুরদা হোক্কি মশান্না অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা ইন্দিয়াদা অমদি মালেমদা মণিপুরীশিংবু মশক তাকপদা মতেং পাংবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা অপিল তৌরক্লি।

# মণিপুর প্রেমিয়র লিগঃ এম আই য়ু এফ সী অমদি এ আই এম খাবম লমখায় মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সেক্তাগী এস এস সী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমলকশুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ সী অমদি অনৌবা ইমাগী মঙাল খাবম লমখায় মায় পাকখ্রে।

শৈখ বাবুমচা মেমোরিএল ত্রষ্টকী স্পোন্সরশিপ মখাদা অম্ফানা শীন্দুনা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথরিবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা ৫২ শুবা লিগ মেটচতা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ সীনা অসুফি এফ এ মাওবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দগী ৫৩ শুবা লিগ মেটচতনা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এ আই এম) খাবম লৈকায়না খেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি। মেটচ অদুদা মায় পাকখ্রবা এ আই এমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু লাইশ্রম মোনিসনা চনখিবনি।


OSBI
State Bank of India
Central Recruitment & Promotion Department
Corporate Centre, Mumbai
Phone: 022-22820427
Scan QR to Apply

Recruitment of Specialist Cadre Officers on Regular / contract Basis

Applications are invited from eligible Indian citizens for the following post on Regular / Contract basis:

| Advertisement No.: CRPD/SCO/2025-26/16 (Regular Position) | | | | |
|---|---|---|---|---|
| Name of Post | Grade | Vacancy | Age (As on 1.11.2025) | |
| | | | Min | Max |
| Manager (Risk Specialist – Model Risk Management) | MMGS-III | 5 | 28 | 40 |
| Deputy Manager (Risk Specialist – Model Risk Management) | MMGS-II | 5 | 25 | 35 |


| Advertisement No.: CRPD/SCO/2025-26/13 (Contractual position) | | | |
|---|---|---|---|
| Name of Post | Vacancy | Age (As on 1.11.2025) | |
| | | Min | Max |
| Relationship Manager (Mutual Fund) | 1 | 35 | 45 |
| Relationship Manager (Insurance Sector) | 1 | 35 | 45 |
| Relationship Manager (Stock Brokering & FII/FPI) | 3 | 35 | 45 |

For eligibility criteria (age, qualification, experience, job profile etc.), vacancy details, requisite fees, other details and for online submission of application as well as online payment of application fees log on to Bank's website https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings. Refer detailed advertisement to ensure eligibility and other details before applying and remitting fees. For any query, please write to us through link "CONTACT US" → "Post Your Query" which is available on Bank's official website (https://bank.sbi/web/careers/post-your-query)

- DATE FOR FILING ONLINE APPLICATION & PAYMENT OF FEES: FROM 11.11.2025 To 01.12.2025.

Place: Mumbai
Date: 11.11.2025 HL-B/9997/13 General Manager (RP & PM)


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1647**

**Fritz Saemisch - Dawid Przepiorka**
**Marienbad (3), 1925**

1.d4 Nf6 2.c4 c6 3.Nc3 d5 4.Nf3 dxc4 5.a4 Bf5 6.e3 e6 7.Bxc4 Nbd7 8.O-O Bd6 9.Qe2 Ne4 10.Nxe4 Bxe4 11.Rd1 Qf6 12.Ne1 Qh4 13.h3 Nf6 14.Bd2 g5 15.Nf3 Bxf3 16.Qxf3 g4 17.hxg4 Nxg4 18.g3 Qh3 19.Qg2 Qh5 20.f3 Nf6 21.g4 Qg5 22.Kf2 O-O-O 23.Rac1 Rdg8 24.Rh1 h5 25.Ke2 hxg4 26.f4 Qg7 27.Ba6 Nd5 28.Rxc6+ Kd7 29.Bxb7 Rxh1 30.Qxh1 Rb8 31.Rxd6+ Kxd6 32.Bxd5 exd5 33.Qc1 Qf8 34. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1646 Solution :**

**22. ...Bf4+** *The black bishop deflects White's rook away from protecting the rook.* **23.Rxe8+ Qa1+** *The black queen skewers White's king and rook. The black rook attacks White's rook, which is defending the square e2 and the square e3.* **24.Kd2 Qxe1+** *The black queen captures White's rook, which was defending the square e2 and the square e3.* **25.Kd3 Re3#** **0-1**

## ইন্টর স্কুল ত্রায়ল সিলেক্সন

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়ের্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল ত্রায়ল সিলেক্সন ২০২৫-২৬ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

দি ৱাই এ এস ও বিষ্ণুপুরগী চেরোল অমগী মতুংইন্না স্বিম্মিং দিসিপ্লিনগী ওইনা হায়রিবা ত্রায়ল সিলেক্সন অসি পাঙথোক্কদবনি। ত্রায়ল সিলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা স্কুলশিংনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা ইলিজিবিলিটি ফোর্ম ওফিস মতমদা লাক্লগা লৌরবা য়াগনি। ত্রায়ল সিলেক্সন অসি অন্দর ১৪/১৭ বোইজ এন্দ গার্লসকী ওইনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

## কবাদ্দিগী ত্রায়ল কম সিলেক্সন

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):** চহী অসিগী দিসেম্বর ২৫দগী হৌরগা ২৮ ফাওবা কোলকটাগী দমদম জেল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫১ রক শুবা জুনিয়র গার্ল নেশনল কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ত্রায়ল কম সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএশনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, এমেচর কবাদ্দি ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগী ত্রায়ল কম ফাইনেল সিলেক্সন থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা খুরাই অঙোম লৈকায়দা লৈবা এ এল য়ু সী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। ৫১ রক শুবা জুনিয়র ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াখিবা কুমজা ২০০৫গী দিসেম্বর ২৯গী মতুংদা পোকপা মশাগী অরুম্বা কেজি ৬৫গী মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা হায়রিবা ত্রায়ল কম সিলেক্সন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

## মালেমঙানবনা গোল্ড লৌখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):** ইন্দিয়ান বোডি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেশন মণিপুর য়ুনিটনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ অমদি ১১দা গভর্নমেন্ট পোলিটেক্নিক ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা মিষ্টর কৌব্রু চীংশাং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা ফিট ফোরইভর ফিটনেস জোনদগী মৈত্রম মালেমঙানবনা সিনিয়র বোডি বিল্ডিংগী ওইনা কেজি ৫৫গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।


Turn Your Passion for People Into a Global Career
JCRE PREMIUM
DIPLOMA IN HOSPITALITY MANAGEMENT
12th Pass & Above | 6 Months
100% Placement Guaranteed
Why Us?
- Industry-Aligned Curriculum
- International Career Opportunities
- Hands-On Practical Training
- Personalized Career Support
Placement Partners
HYATT REGENCY TOKYO · NOVOTEL · TRIDENT HOTELS · The Oberoi Group
SCAN QR FOR REGISTRATION
TRAINING CENTRE
Kwakeithel Akham Leikai
+91 8798307379
HL-B/9494/13

SALES CLUB
SALESGEEK
Boost Your Business, Build Your Network, Level Up Your Sales!
Date: 15th Nov, 25
Time: 02:00pm
Venue: Sangai Hall, Hotel Imphal
With Niranjan Singh
TOPICS
- Change the perception and you change the world
- Developing your pipeline
In Association With
TDCCI · MCCI · amea · NIA · AMBI
Register Now +91 9233984992
HL-B/9494/13

NPS TRUST
UPS Unified Pension Scheme
সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট এমপ্লোয়িশিংগীদমক
অদোমগী রিটয়র্মেন্ট সিক্যুর ওইহল্লু।
য়ু পি এস ওইনা খল্লু।
এপ্লাই তৌবগী অরোয়বা তারিখ
৩০ নবেম্বর, ২০২৫
য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কিম (য়ু পি এস): সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট এমপ্লোয়ি পুম্নমক্কী গরেন্টি তৌরবা পেন্সন স্কিম।
চহী ৫৯ শুদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ু পি এসতগী এন পি এস ওন্থোকপগী খুদোংচাবা অমুক্তং ফংগনি।
য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কিম (য়ু পি এস)না থাগী রিটয়ার্মেন্ট প্লানদা পীরিবা খুদোংচাবা।
পীথোক্কদবা শেনফম @ ৫০ % অরোয়বা থা ১২গী বেসিক এভরেজ পেদা
মিনিমম গরেন্টিদ পেআউট ওফ ₹১০,০০০
দিয়রনেস রিলিফ
ৱান টাইম লম্পসম পেমেন্ট
ৱিদ্রোৱেল অপটু ৬০% ওফ কোরপস
ইনকম টেক্সকী খুদোংচাবশিং এন পি এসতা ফংলিবা অদুগুম্না
হকথেংননা এপ্লাই তৌনবগীদমক, ফোর্ম দাউনলোদ তৌ https://www.npscra.nsdl.co.in/ups.php দগী অমসুং অদোমগী দি দি ওদা সবমিট তৌ নত্রগা ওনলাইনদা এপ্লাই তৌ npscra.nsdl.co.in/ups.php#RUSU
য়ু পি এস কালকুলেটর https://npstrust.org.in/ups-calculator
য়ু পি এসকী মরমদা খঙনবগীদমক ক্যু আর কোদ স্কেন তৌ
অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌ য়ু পি এস হেল্প দেস্ক (টোল-ফ্রী)দা: ১৮০০৫৭১২৯৩০
NPS Trust · NPS Trust · NPS Trust · NPS Trust
HL-B/9998/13


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com